# নহাশিংগী অখন্নবা কাখল : - নহা ফাল

অতোপ্পগী হক খোঙ্গেহিনবা মীদু লোদা মরাল লৈ। ইথিক্ততাদি অসুম্না তৌগে খনবদদা মহাক মরাল লৈরে। - ইমান্যুল কেন্ট



## কায়খ্রবা মঙলান

উচিন নাচিন লুহোঙফম য়ৌরে, খোঙনা লাকপনি, ঈশৈসু হৌরল্লে। নিংশা ঙাইহাক হন্দোক্কে খন্দুনা মঙ্গোন্দা অদুম ফমথরে। ঙন্না লাক্তে হায়দুনা শাউরকই ইনম্মদু। মচানিপাগী লুহোংবনি য়ানদবা খরা লৈদুনা নুপা ময়ুমদা হোঙলিবনি। মীদি পংয়াম য়াম্বা নত্তে অদুবু মোং হানদে।

ঙাইহাক ফল্লগা ঐসু ইমুংলোমদা অদুম চঙশিল্লে, পোলোয় শেৎফম য়ৌনা। চনুদু মকে শেল্লল্লে, মশকসু ফনা মফজৈ, কেরিবদু পকচৈ। পোলোয় শেৎপা হৌরকপা কান্দু য়ূমথংনবদগী ধোন থীল্লকই বর জাত্রাগীনি। থিনবা হেক লোইখিবগা ঙাইহাক ইচীক চীকই মফমদু। ঈশৈদুদি ময়েক শেংনা তাদে, ইমুংদনিনা। ঙাইহাক লৈরগদি ইরাং লাঙনরকই মপানলোমদা কোইচেন চেন্নে।

করি তৌরবনো খন্দুনা থোল্লগা য়েংলকই থোঙজিনফাউ। অদুগদি পুলিস খরা মান্দপ মচিদা লেপ্পা উই। করি করিনো য়াম্না ঙাঙনরি। মান্দপকী অকোয়বা, শঙ্গোয়, মাঙ্গোন্দা ফল্লিবা পূম্নমক পুংনোম নোমই। য়েংনৈ তিঙক মায়ঙক্লনা। ঙাইহাক য়েংলগা ইমুংদা পরপ-পরপ চঙশিল্লে ঐসু। ইরাংদু ময়াম্না অদুম খঙনবজাৎনি। পোৎলোয় শেৎলম্বী চনুদু পোৎলোয়দু ফৎ-ফৎ চিংথৎলি। কোক্কী লৈতেংশিং শৎ-শৎ লৌথোকই। খুজি নাচি লিক-লৈনচিংবা ফোইদৎপোই চীংথোকপোই লৌথোকই। শল্লাংদু চেজেৎ পুনশিল্লি। ফনেক শেৎচিন-শেৎচিন্না মনীংলোমদা থোকখি। মমায় তৈথোক-তৈথোক্কুনা হনজিল্লকই য়াঙনা। কোইয়েং য়েংই, কোইথি থী, ৱাদি ঙাঙদে।

করিবু থিরিবনো খল্লি। ফিয়ান্দগী খোঙগ্রাউ অশাংবী অমা শৎ চীঙথৈ, ফৎ শেৎচিল্লি। ফুরিৎ অমমুক চীংথৈ লিৎশিল্লি। তুপি অমসু উপশিল্লি, খোংউপ অমমুক তোংশিল্লি। ফুরিৎ অচৌবা অমসু মথক্তা লীৎশিল্লি। পোলোয় শেৎফম মনাক্কী কাংথোল নোঙাদুদা শৎ হুমজিল্লি, চুরুট মৈখেৎ পুথোরকই। মৈখেৎতু খেৎ খেৎলি, মৈ চাকই চুরুটতু। ফুৎ-ফুৎ চীংই, ফু লাউনা কামই। লৈ লৈদুনা য়েংই, চীংনা-চীংনা থোকখি। ঐসু মতুং ইন্নে হন্না য়েংলমদনা অদুম থোকখ্রে থোঙ্গাল্লোমদা, লেপহৌরে ঐদি দারিদা।

ভাবোকশিংদো অমগা-অমগা চুঙশিন্নৈ, মুরুম-মুরুম শোন্নৈ, চীংনা য়েংনা লৈহৌই, কনানসু করিসু হায়নদে। খঙলমগদবা মান্দে। কনাসু মৈখু ৱা-ৱা কাদুনা থোকখ্রিবদু নুপীনি হায়বা। ঙাইহাক লৈরগদি নুপীদি কোইথি থীনৈ। নুপী মাঙখ্রে নুপী মাঙখ্রে, নুপী চেনখ্রে কোইলাঙ লাঙই ময়ামদো, অদুম কায়রে লুহোংবদো। হন্নখ্রে ময়াম পুলিসতুসু, ইচীক চীকহৌরে লুহোঙফম...!

হল্লক্লে ঐসু হুমাং কাংনা।

❒ শ্যামা তোংব্রম

## মায়থীরোইদবা লান্মী

নঙ ঐবু শক খঙবরা
হায়যু ঐসি কনানো
তাকউ ঐগী ইশক।
নঙনা খল্লম্বা য়াই
ইচম চম্বা চম্ফুৎ ওইনা
নখুবামদা লায়না থম্বা য়াবা
ওইরোইদবা মঙনি মদু নঙগী।
ঐনসু হংলি নঙোন্দা ৱাহং
কনানো নঙ-নঙ কনানো
মহৌশারা নৎত্রগা খুৎশেমলা নঙ?
ৱাখলনা শাবা নশক-নওং
নুপা-নুপী লাবা-অমোম
নশাদগী নশা অদুমক পোকথোকপা?
ওইনিংবা ওইজৌ থওইদে ঐনা
মরমদি -
মায়থীরোইদবা লানবান্নবা লান্মীনি ঐদি
নঙবু পীগনি শোয়দনা মায়থীবা।
ঐগী কুপশেন্নবা অশানবা মীৎয়েংদগী
চেনঙল্লোই নঙ নাম্বোক্তুনা থক
নমিং ফাওবা নীঙশিংহন্দনা মুথৎকনি
লান্মীনি ঐ নঙগী লানবান্নবা।
পাম্থোংদগী চপখায়গে খল্লবা ঐবু
চপখায়বদা চত্তবা অকনবদুনি ঐ
হকচাংদা চঙলগা লোন্না থুপ্লা
কাওরক্লবা নখোঙনা ইল্লক্লবা নখুৎনা
ইরিল চৎকনি লোইবা লৈতনা
কয়াম শাংবা নখোঙ-নখুৎনো
ইরিল হঞ্জিল্লকপগী শাফুনা ফুগনি
নশাগী নমিং ফাওবা কাউগনি
খাঙঙুথক্তা হাৎকনি মেৎখায়দুনা।

❒ কুবের কৈশাম

## কোভিদকী চৈথেং

পিকশিল্লকই ৱাখলশে
অসুম্না অসুম
ঐসে,
মীয়াম্না ইম্বোল্লবা
হন্থনা য়েঙবিরবা
মীওই অমনি হায়না
খল্লুবা মীৎকুপ্তা
ৱাখলসে
খঙশোন হেক শোন্থরকই।
মীয়ামগীদমক্তা খল্লগা
থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা
থৌনা ফনা চোঙথোল্লবা
ঐনা তেংবাংজরুবা
হোৎনরুরিবা কয়া অদু
ঙসিদি,
মীকুপসিদা লোয়না মাঙখ্রে
ঐনা কোভিদ-১৯গী
অনাবা অমা ওইরকপসিদা।
ৱাখলসে
চাওথোকপা ঙমদ্রে
মহৌশাগুম
পাঙ্গল থৌনা পুন্থসু
মাঙখিবগুল্লে
ইশোন শোন্থরকই
ৱাখলসিসু পুক্নিংসিসু
মকা লাম্বা ঙমদ্রে
মায়থোঙসু মহৌশাগুম হরাউনা।
অদুবু,
ৱাখল পীকথবা য়াদে
থৌনা লৈতবা য়াদে
কোরোনাগী লাম্থেংসিদা
তমথিরবা মহিকসিবু
মায়থীবা পীরল্লগা
লানঙম ফীরাল পায়রবা লান্মী ওইনা।

❒ রিসিকান্ত লাইরেনলাকপম, থম্বালখোঙ লীসম লৈরক



## আর্টিষ্টশিংবু থাক ৱাংনা খনবিরক্লিবসি লমদম অসিদা অচৌবা অওনবা অমা লাক্লে তাকপনি





### নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

*খেকমন রতন (হুইদ্রোম মুখাই), শক্লাইরবা লীলারোই*

শুমাং লীলাগী পুৱারীদা ময়েক লানা লৈহৌরগদবা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট কয়ানা শান্নখিবা লীলাশিং ঙসিসু অদুমক মীয়াম্না নীংশিংলি অমদি নীংশিহৌখিগনি। অৱা-নুংঙাইগী পুন্সিদা মণিপুরদা শুমাং লীলানা লৌরিবা থৌদাং মীয়াম্না শিংঙমলরোইদবা পোৎশক অমনি। তাইবঙ মপুগী খোঙচৎ তুংইন্না লমদম অসিগী শক্লাইরবা লীলারোই কয়া চৎখ্রে, অনৌবা লীলারোই কয়া অমসু লেপ্পা লৈতনা থোরক্লি।

হৌখিবা চহী খরা অসিগী মনুংদা লৈবাক মীয়াম্না য়াম্না পাম্না য়েংনখিবা লীলাশিংগী মনুংদা "সনাগী ঙা ১/২/৩; ৱারী লোইদ্রি ১/২/৩; পাখঙ নম্বর ১; য়েনিংথা অমগী ৱারী; কোম্বিরৈ; নুংশিবগী মচু; নচা লাঞ্জরে ইমা; কুন্তি ৭ - ৱারোইশিন; মেলোদি; পিজা পার্ট-২; নুংশিবগীদমক; তৈথোকপীরমদ্রবা পীরাং অমদি লৈশাবীগী মচু হায়বনচিংবা লীলা ১০০ রোম অমদি তিলাইখোম্বী পার্ট-১; ইম্ফাল নিঙোল; লুহোংবগী অহীং; কোরৌগী মঙাল; চিংলেন সনা; সনাগী তাংবল; থাসিদা থাবল; অঙম্বা; নুংশিবি ইম্ফাল; খুৎশা অনী পার্ট ১/২; লালফমদা নুংশিবগীদমক; চনু আই পি এস পার্ট-২; অশেংবা সনা অমদি থানিল" নচিংবা চাওরাক্লা মণিপুর দিজিটেল ফিল্ম ৪০ রোমদা মরুওইবা রোল লৌখিবা মীয়াম্না হুইদ্রোম মুকখাই হায়না খঙনরিবা খেকমন রতনবু খঙদবা লমদম অসিদা কনা লৈরল্লোই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।



খেকমন রতন, থৌবাল খেকমনদা লৈবা ৱাংজম কুঞ্জরাজ অমদি লৈখিদ্রবী ৱাংজম ওংবি ঙানবীগী মচানি। মহাক্কী মচিন-মনাউ ৭নি। লীলা য়েংবা য়াম্না পাম্না হৌরকখি। লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুংদা হৌরকখিবনা লীলা য়েংনবা টিকেট ককনবা শেল লৈতবনা লীলা শান্নফমদা চৎলগা খারিবা জিঙ্ঘগী অহোবদা লীলা য়েংলকখি। অদুবু চাওরাক্লা চহী ২০ লোম শুরমদাইদা লীলা শান্নবা য়াওবা হৌরকখি। পুন্সিগী অহানবা ওইনা খেকমন ৱাংমা তাবদা লৈবা স্কুলগী টিচর দে নুমীৎতা ওজা রাজেনগী মীৎয়েং মখাদা শান্নবা হৌরকখি। লীলা শান্নবা হৌরকপা মতমদা শেল লৈতবনা ইমুং-মনুংগী মতেং পাংনবা অমদি লীলা তম্নবগীদমক চেক শুবা, পুখ্রি তৌবা অমদি লৌউবগী থবকনচিংবা মখল মখা কয়াগী থবক কয়াসু তৌদুনা লাকখি। মহাক্লা পামজনা লৈজবা লেদরগী জেকেৎ ফাওবা য়োম্বোক্তুনা লীলা তম্মিন্নরিবা মীওইশিংগা চামিন-থকমিন্নরকখি। দুকান্দগী শোৎতুনা চাবা-থকপা তৌরকপদা দুকান মপুশিংনা তাথি তাওইনা ঙাঙলকখিবগী থৌদোক কয়াসু লৈখি।

লীলাগী এৱার্দ পীবা মতমদা বেষ্ট ভিলিয়নগী এৱার্দ পীবিরবদি য়াম্না নুংঙাইগনি। মরমদি লীলাদা ভিলিয়নগী রোল লৌবা মীওইশিং এৱার্দ ফংদনা লৈরে। য়েংনিংথা অমগী ৱারী হায়রিবা লীলা অসিদা সেকেন্দ বেষ্ট সপোর্টিং এৱার্দ ফংখি। কাউন্সিলনা পীবা ইবেমহল পোপুলর এৱার্দসু ফংখি। সনাগী ঙা পার্ট-২দা কুমখিবা করেক্টর অদুদা নোংপোক শঞ্জেনবম কম্বোংপুৎতগী কোঞ্জেংবম সনাহোংবা হায়রিবা মুর্তি শাবা নুপামচা অসিনা পামজদুনা লীলা অদুদা লীৎখিবা ফুরিৎ অমদি শিখিবা লিক-কোননচিংবা চপ মান্ননা মুর্তি অমা শাদুনা খুদোল তম্বিরকখি।

ওজা দেবান, ওজা নিংঙোম্বম কুঞ্জো, ওজা তোম্বা, ওজা শ্যামজাই, ওজা রাজেন অমদি ওজা নোরেন অমদি লৈখিদ্রবা মাম্মা নিংথেমজাউ নচিংবগী মপালনা ঙসি লৈবাক মীয়াম্না লীলারোই অমা ওইনা শক খঙবিবা ঙল্লকখিবনি। মহাক্কী অপোকপী মমাসু লীলা য়াম্না পামজবা মীশক অমনি। খেকমন রতননা ঙসি ফাওবা কাউবা ঙমদবা ৱাফম অমা হায়রগদি লীলাবু য়াম্না পামজবী অপোকপী মমানা নোংমা লীলাগী ৱারী শান্নবা অমদা রতননা মমাদা হংই- 'ইমা ঐ লীলাদা পুলিসকী অমদি নম্বর ৪ চাবা শাবগী রোল ফংলে। অনীসিগী মনুংদা করম্বা রোল লৌদুনা শান্নৌ হায়বগে হংবদা অপোকপী মমানা নঙনা শাগদৌরিবা পুলিসকী রোল অদু নখোয় পাবুংগা কনানা হেল্লি চাওবা হংলকই। মদুদা রতননা হায়- লীলাদা ঐনা শাগদৌরিবা পুলিস অসিদি এস আইনি অদুগা ঐখোয় পাবুংনা হৌজিক ওইরিবা পুলিসকী পোষ্ট অসিনা কন্সটেবলনি অদুনা এস আইনা চাওবা হেল্লি হায়বদা মমানা অদুদি নখোয় পাবুংদগী হেন্না চাওবা পোষ্ট অদুদি শাবদি ইকায়রোইদ্রা? মদুগী মহুৎতা নম্বর ৪ চাবা অদু শাবনা ফরোইদ্রা হায়রকপদগী নম্বর ৪ চাবগী লীলাগী রোল অদু লৌদুনা শান্নখি। লীলা অদু অপোকপী মমানা মমাংদা ফমদুনা নোকচদুনা য়েংখিবা মীৎকুপ অদু খেকমন রতননা কাউবা ঙমজদ্রি।' অদুবু লীলা অদু শান্নবগী থা অনীমুক শুরকপা অদুদা মহাক্কী অপোকপী মমা পূম্নমকপু থাদোক্তুনা চৎখি। ঙসিসু লীলা শান্নবা মফম খুদিংদা মহাক্কী অপোকপী মমানা মমাংদা ফমদুনা খুবাক খুদুনা পেন্না নোক্তুনা য়েংজরি হায়না অদুমক খঞ্জরি। ঙসি মীয়াম্না মুকখায় হায়না খঙনবিরিবা অসি অপোকপী মমা লৈরল্লগদি অমুক হেন্না নুংঙাইগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরকখি।

'সনাগী ঙা' লীলাদা তৌখিবা এক্ট অদুগী মতুংইন্না লীলা শান্নফম কয়াদা নুপীশিংনা ফুরকখিবগী থৌদোক কয়াসু থোকখি। চাওরাক্লা লীলা শান্নফম ১০মুক্তা ফুরকখিবা য়াওখ্রে অমদি য়াম্না থীনা-থীনা ঙাঙলকখিবসু য়াওখি। অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদু হান্নদি য়াম্না নুঙাইতবা ফাওরম্মী। অদুবু ওজাশিং অমদি সীনিয়র আর্টিষ্টশিংনা রতন নঙ মদুদা শাউগনু মরমদি নঙনা লৌরিবা রোল অদু মায়পাক্লবনি খল্লু হায়না হায়বিরকপদগী শাউদ্রে। লীলাদা শুপ্নগী ফৎতবা ভিলিয়নগী রোলদা কুমজরবসু খেকমন রতন য়াম্না ইমোসনেল ওইবা ৱারী শাবা য়াম্না নুংঙাইবা মীশক অমনি।

খেকমন রতনগী তোপ-তোপ্পা হান্নগা মান্নদবা রোলদা অনৌবা ফিল্ম কয়াদা মীয়াম্না উবসু ফংলগনি। লোয়ননা লমদম অসিগী আর্টপু পামজবা আর্টিষ্টশিংনা মতম লৈবা খীবিক্তা নোল্লুকপা ওজা মশক খঙনা চৎপা তঙাইফদে হায়বসি কাউবিগনু। লোয়ননা চৎনিংলিবা লম্বী অদুগী মতাংদ মপুং ফানা তমগদবনি অদুগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তি য়ারিবমখৈ চাদনবা হোৎনবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।



ডা. খাইদেম অথৌবা

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি


### স্কুলশিংগী অৱাবা য়েংবীরগা মহৈরোয়শিংগী ফী চাদা ৭০গী চাং থীদোকপীয়ু হায়নরকপা লাইবক থিবনি



কোভিদকী সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইদুনা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ভ ইগজামিনেসনশিং কেন্সেল তৌখিবনা ককঙাওনদুনা লৈরিবা মচাশিংবু থেমজিন্নবা হোৎনবদা অমদি মখোয়গী পুন্সি করি ওইগদগে খন্দুনা অৱাবা পোৎলুম কয়া পুরিঙৈ অহোয়ননা হৌজিক হৌজিক প্রাইমারিদগী হায় স্কুলগী থাক ফাওবদা লাইরিক তমজরিবা মহৈরোয়শিং অমদি মখোয়গী মমা-মপাশিংনা কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ অমুক লাকশিল্লক্লবদি লাইরিক মখা তমথবা ঙল্লরোই ৱাজদুনা নিংদোল পোম্নরিঙৈ চৈরক অসিদা লন্নাই সংস্থান অমখক্লা স্কুলশিংগী অৱাবা য়েংবীরগা মহৈরোয়শিংগী স্কুলগী ফী চাদা ৭০গী চাং থীদোকপীয়ু হায়না পাউচেশিংদা হাপ্পরক্লিবা অসি তশেংনমক লাইবক থিবনি হায়না খল্লি। করম-করম্বা স্কুলশিংনো হৌজিক ৱারিবসি ? মসিদংগসু খন্থহঞ্জনীংই। হৌজিক ৱারিবসিবু স্কুল খরখক্তরা। খুদোংচাবা খরা ফংনবগীদমক স্কুলশিং মরাং কায়না লিংখত্তুনা লৈবাক অসিদা লায়রবা অমদি ইনাক খুনবা মচাশিংনা তমগদবা স্কুলশিংগী খেন্নবা (অনেম-অৱাং) লৈহনখিবা নৎত্রা ? নখোয়গী স্কুলশিংদা তমথিবা মহৈরোয়শিং অয়াম্বা ফী ৱাংজরবসু হৈথোই-শিংথোই অমদি মার্ক য়াম্না ফংই, মীয়ামগী অপাম্বসু ওইরি। অদুবু হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভম অসিদা মচাশিংগীদমক চাদা ৭০ স্কুল ফী থীদোকউ হায়বসি খরা হেনমল্লি হায়না খল্লি।

❒ টিঐচ বিরেন, নিংথৌখোং পার্ট-১৪

### পোৎ-চৈ য়োঙ্গরম্বা অমদি স্কুলশিংগী অঙাংশিং পুদুনা চৎলম্বা ভেন দ্রাইভরশিং খম থেংনা ৱারে



কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী মীয়াম হায়নিংঙাই লৈতনা চহী অনীরোম অসি ৱাদুনা লাক্লে। মরু ওইনা নোংমগী কৈথেল কাজরগা অরৈবা পোৎ-চৈ য়োঞ্জরগা মচা-মশু থাকচরম্বা ইমা-ইবেল কয়া খম থেংনা ৱানরে অমদি কোরোনা পোজিটিভ ওইবসু য়াওনরে। মসিদসু নত্তনা প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওজা ওইরম্বা কয়া অমদি স্কুল-স্কুলশিংদা অঙাং থিনবগী থবক তৌরম্বা ভেন দ্রাইভর কয়াসু মপান থোক্লা থবক শুবা চৎপা য়াদবদগী অৱাবা কোক্লবা হোৎনবদা মশানা থৌজরম্বা ভেন ফাওবা য়োনবা য়াওনরে। কোভিদ-১৯না ৱানরবা মতম অসিদা অহানবা কোভিদ অমসুং অনীশুবা কোভিদকী মতম অসিদা মীয়ামগী অৱাবা উবীরদুনা মতেং পাংবীরকখিবা মিনিষ্টর, এম এল এ অমদি সোসল ৱর্কর খুদিংমক তশেংনমক থাগৎনিংঙাইনি। লোয়ননা অনীশুবা কোভিদ-১৯গী মতম অসিদসু মতেং খরদং পাংবীয়ু। মীয়াম্না হিংলিবসি নখোয়গীদমক্তনি। নখোয়সু ৱারবা মীয়ামগীদমক্তা লেপ্পুনা লৈবীয়ু। মণিপুরগী পাউচেনা মীয়ামদা মখল-মখা কয়াগী কান্নরবা নোংমগী ওইবা ঈ-পাউ কয়াবু চহী চুপ্পা পাবীরিবশিংগীদমক পুথোক্লবা হোৎনবীরিবা মীওই খুদিংমকপুসু থাগৎনিংঙাইনি। অহিং-নুংথিল খাক্তনা মীয়ামদা ঈ-পাউ পীরিবা পাউমীশিং অসিদসু মরী লৈনবা মীওইশিংনা, লন্নাই ওর্গনাইজেসন অমদি লৈঙাক্লা মখোয়গীদমক অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবীয়ু হায়জরি। মখোয়না হোৎনজরিবা অসি লেম্না মাঙহল্লোইহিসি। মরমদি লাইচৎ অসিনা খম-থেংনা ৱারবা মতম অসি ফাওবদা মীয়ামদা ঈ-পাউ ফংনবা লেপ্পা লৈতনা মহৌশাগুম থবক তৌরি।

❒ ওইনাম কুঞ্জকেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০৬।২০২১ ইং,থাংজ;
ইঙাগী ১৭ নি পানবা।

মেষ : পুং ১০গী মতুংদা মীপাইরম্বা কোকচদুনা নীংবা থুংবা অমদি অনীংবা থবক পাংবা ঙমগনি। লৌশিংনা অমদি অঙম্বগী মতেংনা লন ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : অয়ুক্তা নীংবা থুংগদবা অমদি মীৎচং ফংগদবা অফবা খোঙশাল লৈগনি। হকচাংসু নুংঙাইবা হেল্লি অমদি অফবা মফম ফংই। অনমদি তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নাপল তৌদ্রদি ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : পুং ১০ ফাওবদি নচাক নরল চাওখৎপা য়াবা খুদোংচাবা ফংজগনি। মরুপ মপাংশিংনা থাগৎপি। অশাওবনদি নরল মাঙহনজগনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙথোকপদা পকচৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংবা অমদি নঙগী ওইবা মীশিংনা তেংবাঙবীবা নুমিৎনি। লাংতক্লবা অমদি হৈশিংবা শাবদি ফরোই। খাংবা কনখো।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : থেংলপ্পা ওইজ-ওইথক ফংবা, ইচং থৌবনা লন য়াম্না তানসিনবা ঙম্বা অমদি হকচাং খিংবা নুমিৎনি। অদুবু ঈরাং পুবা অমদি হুইদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরদি ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : মীকিদবা, থৌনা লৈবা অমদি হনবা লৈতনা হোৎনবনা থবক পাংবদা নত্তনা লন চাওখৎকদবা নুমিৎনি। খুৎ চাওবদি ওইজবা মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

তুলা : অয়ুক্তা লাই-গুরুনা থৌজালবীগদবা খোঙশাল লৈ। ৱানোম থৌনোম কান্নগনি অমদি তুংগী পোরম য়াৎপা য়াগনি। অফা-অপুন্নবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙথোকপদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : মরুপকী মতেং লৌবা কান্নগনি অমদি নক্লবশিংগী মরীসু ফগৎকনি। লৌশিংদি ৱাৎলি-অদুনা লাই-গুরুগী ৱা তাও। লেংদবা লন চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : অয়ুক্তা থৌ পাংবা হৌহৌবনা হরাওবা অমদি ওইজ-ওইথক ফংবা হেনগনি। অঙম্বগা মুক্লরদি লন ময়েং তাগনি, মীকোক থোংবা ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : হরাওবা-নুংঙাইবা, নীংবা থুংবা অমদি ইমুং মনুংগী মতেংনা থৌপাংবা ঙম্বা ওই। আশাওবনা মাঙজগনি অমদি অঙম্বনা য়েংথি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীচং লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা : পুং তরা ফাওবদা খোঙশালবদা মায় পাক্কনি। মীং চৎকনি অমদি পোরম শেম্বা হৈগনি। লৌশিং ফুদোকপদি ঙমদে অদুনা অখঙবগী ৱা তাও।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবনা মাঙজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : থবক পাংগনি অমদি শেন্দোং তানবৈ লম্‌দা মায় পাক্কনি। মীগী মতেংনা মফম অমদি নুংঙাইবা ফংজগনি। হৈশিংবা শারদি চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## লৌশিং পুক্কে

# মতম শাংনা থগোকপা

### হকচাং মনুংদা লৈবা অনাবা অমগী খুদম ওইবা য়াই

**থগোকপা** হায়বসি হৌজিক ফাওবা মপুঙ ফানা খঙবা ঙমদ্রিবা ঐখোয় মীওইবগী হকচাংগী অঙকপা থৌওংশিংগী মনুংদা অমনি। মসি হকচাং মনুংদা য়াওরিবা দাইফ্রামনা মশা মথন্তা কোন্ত্রেক্সন তৌবনা মরম ওইরগা থোকহনবনি অদুগা থগোকপগী মখোল অদুনা ভোকেল কোর্দশিং য়াম্না থুনা অমুক খুমজিনখিবদগী থোকপনি।

মহৌশানা থগোকপা হায়বসি শাংনা তৌগন্দে অদুবু পুং ৪৮দগী হেন্না থগোল্লগদি চেকশিনগদবা মরম অমা ওইরে। থগোকপা হায়বসি সোদা য়াম্মন্না থকপগুম্বা মরম অমনা থোকহনবা ঙল্লগসু, মতম শাংনা (ক্রোনিক ওইনা) থগোল্লগদি হকচাং মনুংদা অনাবা অমা লৈবগী ওইবসু য়াই। পুং ৪৮দগীনা নুমিৎ ৩০ নিফাওবগী মনুংদা কুইনা থগোল্লগদি মদুবু পর্সিষ্টেন্ট হায়না খঙনগনি অদুগা নুমিৎ ৩০নিদগী হেন্না শাংথরগদি মদুবু ইন্ট্রেক্টেবল হায়না খঙনগনি। ক্রোনিক ওইবা মওংদা থগোকপগী থৌওং থোকহল্লকপা য়াবা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা খরগী মরমদা মখাদা পীরি।

**নর্ভ প্রোব্লেমশিং :** থগোকপা হায়বসি দাইফ্রাম কোন্ত্রেক্সন তৌবদগী তৌহল্লকপা ওইবনা দাইফ্রামদা নৎত্রগা ভেগস নর্ভতা নৎত্রগা ফ্রেনিক নর্ভতা ইরিটেসন নৎত্রগা দেমেজনচিংবা অমা হেক্তা তৌবনা থগোকপগী খুদোংচাদবা থোকহনবা য়াই। হায়রিবা নর্ভশিং অসি দাইফ্রমগা শম্নৈ, মরম অদুনা মখোয় অসি থগোকহন্নবা মরম ওইবা য়াই। হায়রিবা নর্ভশিং অসিদা ইরিটেসন থোকহনবা ঙম্বা মরম কয়ামরুম লৈ। খুদম ওইনা অমোৎপা নৎত্রগা শম পকপনা মরম ওইরগা নাকোং দ্রমদা মরেং মরেং চৎপা; ঙকশমদা অপোম্বা অমা লৈবা; খৌনাউ নাবা নৎত্রগা লেরিঞ্জাইটিস; এসিদ রিফ্লক্স; ন্যুমোনিয়ানচিংবা পনবা য়াই।

**নর্ভস সিষ্টেমগী অনাবা:** থগোকপা হায়বসি সেন্ত্রেল অমসুং পেরিফরেল নর্ভস সিষ্টেমশিং য়াওনা কমপ্লেক্স সিষ্টেমশিংনা মরম ওইরগা থোকহনবা মরম্না নর্ভস সিষ্টেমদা শোকহনগদবা ইনফেক্সন নৎত্রগা প্রোব্লেম অমা হেক্তনসু ক্রোনিক ওইনা থগোকহন্নবগী মরম ওইবা য়াই। নীংশা হোনবগী থৌওংবু ব্রেননা কন্ত্রোল তৌবা মরম্না ব্রেনদা মথৌ নীংথিনা তৌদবা অমা হেক্তা য়াওরকপনসু থগোকহনবা য়াই। থগোকপগী থৌওং থোকহনবা য়াবা ব্রেনগা মরী লৈনবা দিসওর্দর খরা হায়রগদি মল্টিপল স্ক্লরোসিস; ব্রেন ইঞ্জ্যুরি; এন্সেফলাইটিস অমদি মেনিঞ্জাইটিসকুম্বা দিসওর্দরশিং; ষ্ট্রোক অমসুং ব্রেন ট্যুমরশিং; স্পাইনেল কোর্দ ইঞ্জ্যুরিশিং; ব্রেনষ্টেম সিজরশিংনচিংবা পনবা য়াই।





**গেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল প্রোব্লেমশিং :** চাকখাউ, গট, ইন্টেষ্টাইন, লিভর নৎত্রগা পেনক্রিজগা মরী লৈনবা প্রোব্লেম অমা হেক্তনা থগোকহনবা য়াই। মশিং য়াম্না থগোকহন্নবগী জেনরেল ওইবা মরমশিংগী মনুংদা চাবা অমসুং থকপগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং খুদম ওইনা সোদা কা হেন্না থকপা, কা হেন্না চাশিনবা, য়াম্না থুনা চাশিনবা, নৎত্রগা কেন্দি অমা চুপ্পচিংবা য়াওই, অসুম্না চাকখাউগা মরী লৈনবা প্রোব্লেমশিংদগী থগোকপা হায়বসিসু ওইথোকপা য়াবা অমনি। থগোকপগী খুদোংচাদবা থোকহনবা য়াবা অনাবশিংগী মনুংদা চাকখাউগী অলসরশিং, জোন্দিস, কোলেরা, এপেন্দিসাইটিস, ক্রোন্স দিজিজনচিংবা য়াওরি।

**মেটাবোলিক প্রোব্লেমশিং অমদি হীদাক-লাংথকশিং:** হকচাং মনুংদা লৈবা অনাবশিংনা থগোকপগী মওংদা উথোরকপা য়াই। অকক্লবা মখলগী দ্রগশিং নৎত্রগা হীদাক-লাংথকশিংনসু সাইদ ইফেক্ট ওইনা থগোকপা থোকহনবা য়াই। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসিগী মনুংদা এনেস্থেসিয়া; দাইবিটিজ; কিদনি দিসওর্দরশিং; ষ্টেরোইদশিং অমদি ট্রাঙ্কুইলাইজরশিং; কেমোথেরাপিদা শীজিন্নবা দ্রগশিং; ঈদা সোদিয়ম অমসুং পোটাসিয়মগী লেবেল খল চাদবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

**সর্জিকেল প্রোসিজরশি:** থগোকপগী থৌওং থোকহনবা য়াবা ঐখোয়গী হকচাংগী মফমশিংদা তৌবা সর্জরি কয়ানসু ওপরেসন অদু লোইরবা মতুংদা থগোকপগী থৌওং তশেংনা থোকহনবা য়াই। নর্ভস সিষ্টেম, ব্রেন, গেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল এরিয়াশিং নৎত্রগা দাইফ্রামদা য়াওনা তৌবা সর্জরিশিংনা শোয়বদগী থগোকপগী থৌওং থোকহনবা য়াই।

**কার্দিওভাস্ক্যুলর প্রোব্লেমশিং:** থগোকপা অসি হার্ট এটেক অমদি ইনফ্লেমেসনগুম্বা কার্দিওভাস্ক্যুলর প্রোব্লেমশিংনা মরম ওইরগা তৌহনবা য়াই। মখোয় অসি হার্ট এটেক অমা তৌগদৌরে হায়বগী ৱার্নিং সাইনশিংসু ওইবা য়াই। মসিদা নত্তনা কেন্সর হায়বসিসু থগোকপগী থৌওং থোকহন্নবগী মরম অমা ওইবা য়াই।

**ইমোসনেল দিষ্ট্রেস:** এক্সাইটেদ ওইবনসু য়াম্না লায়না থগোকপগী থৌওং থোকহনবা য়াবগুম্না মদুগী ওন্না-তৈনবা ইমোসননসু থোকহনবা য়াই। এঞ্জাইটি নৎত্রগা দিপ্রেসনগী মওংদা পুক্নীং ৱাখল ৱাবনসু থগোকহনবা য়াই।

মথক্তা পীরিবা মরমশিং অসিনা ঐখোয়দা মতম শাংনা থগোকহন্নবগী মরম ওইবা য়াই হায়বা ওইরগসু হায়রিবা মরমশিং অসিগী মনুংদগী করম্বনো হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক দোক্তরদা তানবদি মথৌ অদুম্মক তাগনি। থগোকপগী মরম অসি ইচম চম্না কা হেন্না চাশিল্লুবদগীনা য়াম্না অরুবা কেন্সরনচিংবা ফাওবা ওইবা য়াবা মরম্না মতম শাংনা থগোল্লগদি করিনা থোকহনবনো হায়বদু চপ চানা খঙনবগীদমক দোক্তর অমদা তান্নবা মথৌ তাগনি। হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবশিংনা থোকহনবা য়াবা মরম্না মসি থৌশাদবা তৌরোইদবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা যুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে